## কাঙ্খল হীদাক লুপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইদুনা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংদগী ঙাকথোক্নবা পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট মেলেরিয়া ওফিসর থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১৪গী মনুং চন্না লৈবা কিয়াম লৈতানপোক অমদি কিয়াম ৱাংমা তাবদা কাউন্সিল্লর অমদি মেম্বরশিংগা লোয়নননা কাঙ্খল হীদাক লুপথোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা কাঙ্খল ৩২৬ হীদাক লুপ-থোকখি। হয়েং মখা তানা ৱার্দ অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা কিয়াম লাই হরাওফম অমদি হৈবোং লৈকায়দা কাঙ্খল হীদাক লুপথোক্কনি হায়না থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১৪গী কাউন্সিল্লর থিঙুজম সঙ্গিতানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## অনৌবা লন্বীগী রিপোর্ট শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফাল-সাইকুল লন্বীদা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী অৱাং থংবা খুলশিং লন্বী ফাওনবা ঙমদ্রিবা অসিদগী কোকহন্নবা অনৌবা লন্বী অমা খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট লৈশাংথেম সুর্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিন্দুনা রিপোর্ট অমা শেমখ্রে। নৌনা শেন্নবা থৌরাং তৌরিবা লন্বী অসি য়ুম্নাম খুনৌ মমাঙ ৱাঙ্খৈ খুনৌদগী শেমদুনা শন্বৈগী মমাঙ থংবা শরুক চীংখু, দোগরপুখ্রি মপান অমদি খুন্দ্রাকপম মাইবম চীংমৈদগী ৱাইতোন এন পি টি এস সী মমাঙ তাদুনা পাঙ্গৈ ফাওদোক্কদবা লন্বী অসি শেন্বদা লন্নাই লম শোক্তনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অতেনবা মতমদা পায়খৎপীনবা দি পি আর অমা ওর্গনাইজেসন অসিনা লৈঙাক্তা পীখৎলগনি হায়রি।

## পি এম ঈ জি পি তমেংলোং

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কুমজা ২০১৬-১৭ গী পি এম ঈ জি পিগী এপ্লিকেসন দি আই সী অমসুং কে ভি আই বিদা পীশিনখিবশিং অদুগী ফিজিকেল ভেরিফিকেসন তৌনবগী-দমক থা অসিগী ২২গী অয়ুক পুং ১০ দগী ওরিজিনেল দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়নন ওনলাইনদা থাগৎপা য়াগনি হায়রি। দি সী তমেংলোংদা তৌসেম, তামৈ অমসুং তমেংলোং সব-দিভিজনগী লুৱাংমাই বজার কম্যুনিটি হোল অমসুং বজার বোর্দকী ওফিসতা নোনে, হাওচোং, নুংবা অমসুং খৌপুম সব-দিভিজনগী এপ্লিকেসন পীশিনখিবা মীওইশিং ফিজিকেল ভেরিফিকেসনগীদমক্তা লাক্কদবনি হায়না দি আই সী তমেংলোংগী জেনরেল মেনেজরনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি।

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
ক্কাথা খুনৌ, ম্যান্মার অমসুং মণিপুরগী তায়নবদা লৈরিবা লাইনিংথৌ অচিলেন শিদবগী লাইফমলেনগী অকোয়বদা অপাহৌ হুইময়োল হুইথাপা লূপ কৈরেনফাবী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা উ চারা ৫০০ হেন্না থাখ্রে। বন মহোটসব থৌরাং থৌশিলগী মখাদা অকোয়বগী খল কায়দনা তৌনবগী পান্দমদা উ চারা থাখিবনি হায়রি। উ চারা থাবদা মতেং পাংলকখিবা ঈ হোম রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর সদর ইষ্ট রেঞ্জ চীংমৈরোং, ১২শুবা অসাম রাইফলস ক্কাথা খুঞ্জাও, সোরোখাইবম উরোংঙানবা য়াইস্কুল অমসুং তাইবংঙানবা মোইরাংচা নিংথৌখোংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## 'বোম পোকখায়হনবা য়ানিংদে'

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
মিনুথোংগী ৱার সিমিত্রি মনাক্তা ঙরাং আই ঈ দি অমা পোকখায়-হল্লকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী নুংথং তম্পাক্তগী এল ৱিলিংটন কোম কৌবা অসাম রেজিমেন্টকী রাইফলমেন অমা শোকখিবগা লোয়নননা মীওই কয়া অশোক-অপন নংহনখিববু কোমরেম য়ুনিয়ন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। এল ৱিলিংটন কোম মহাক্না লোয়নবা মীওইশিংগা লোয়নননা পোরোম্পাৎকী ববিনা ক্লিনিক্তা মেদিকেল ইনভেষ্টিগেসনগীদমক্তা লাকপনি। অসুম্না হোস্পিটাল, ক্লিনিক অমসুং সিভিলিয়নশিংনা লৈরিবা মফমশিংদা বোম পোকখায়হনবগী থৌওং মতুংদা থোকহনবীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : কৈরক অৱাং তোলোংসোই লৌকোলগী লৌ পরি ৫০ রোম অমসুং ঙায়োক ফার্ম ৩০ রোম ঈশিং থুমজিনখিবনা মরম ওইদুনা অৱা-অনা কয়া মায়োক্লুরিবা অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অৱাবা তারবা লৌমীশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংবীয়ু হায়না সোসল ৱেলফেয়র ক্লব কৈরক্কী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## 'পুলিস পার্সনেলগী ফম লাখ ৫ হাঙলি'

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌজিক-হৌজিক পুলিস পার্সনেলগী ফম লাখ ৫ হাঙলি হায়না পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।

লোক সভাদা হংলকখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, ইন্দিয়ন পুলিস সার্ভিস (আই পি এস)কী ওইনসু ফম কয়ামরুম হাঙদুনা লৈরি। কুমজা ২০১৭ কী জান্যুৱারী ১ ফাওবদা পূন্না আই পি এস ওফিসর ৪,৮৪৩ লৈগদবদা শুপ্নগী ওফিসর ৩,৯০৫ খক লৈখি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হন্স রাজ জি অহিরনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, ব্যুরো ওফ পুলিস রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট (বি পি আর দি)গী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারী ১ দা লৈবাক অসিগী অপূনবা পুলিস পার্সনেল ২২,৮০,৬৯১ লৈগদবদা ১৭,৩১,৬৬৬ লৈখি। চহী খুদিংগী আই পি এস ওফিসর ১৫০ রোম রিক্রুট তৌবা তারবসু অৱাৎপা কয়ামরুম লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা পেরামিলিটরি ফোর্স অনী- সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) অমসুং সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ)তা নুপী পার্সনেল কয়া রিক্রুট তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি।

সী আর পি এফ অমসুং সী আই এস এফতা কন্সটেবল থাক্কী ফমদা নুপীগী ওইনা চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ), সসস্ত্র সিমা বল (এস এস বি) অমসুং ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)তনা চাদা ১৪ দগী ১৫ ফাওবা নুপীগী রিজার্ব তৌগদবনি।

হায়রিবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স পুম্নমক অসি পূনশিল্লগা চাওরাক্না পার্সনেল লাখ ৯ লোম লৈ। মসিগী মনুংদা নুপী পার্সনেল ২০,০০০ লোমদনি। সী আর পি এফনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থৌদাং লৌরি। সী আই এস এফকী পার্সনেলশিংনা এয়রপোর্ট, মেট্রো নেটৱার্ক, মরুওইবা ইন্সটো-লেসন অমদি অতৈ গভর্ণমেন্টকী বিল্ডিংশিং ঙাকপগী থৌদাং লৌরি।

নুপীশিংদা মতিক ময়াই হেন্না পীনবগী থৌরাং মখাদা নুপী পার্সনেল কয়ামরুম সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সতা থবক চঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কম্মিটি ওন ইম্পাৱরমেন্ট ওফ ৱিমেনগী রিপোর্টতসু পেরামিলিটরি ফোর্স খুদিংমক্তা নুপীশিং থবক চঙহনবগী ৱাফম রেকমেন্দ তৌবা লৈখ্রবনি।

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা পেরামিলিটরি ফোর্সনি হায়না লৌনরিবা সী আর পি এফতা চাওরাক্না নুপী পার্সনেল ৬,৩০০ লোম লৈরি। পুলিস ফোর্স অয়াম্বদা থবক তৌরিবা নুপীগী চাং চাদা ৯ লোমদনি।

কুমজা ২০১৫ গী মার্চ ২০ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌনবগী ৱাফম অয়াবা পীখি। দিল্লি য়াওনা য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অমদি ষ্টেট খুদিংমক্কী পুলিস ফোর্সতা কন্সটেবলদগী হৌরগা সব-ইন্সপেক্টর ফাওবগী থাক্তা থবক চঙবদা নুপীগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌগদবনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রবসু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

## মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপদা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা হীদাক-লাংথক্কী মতেং পাংবীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্নরবা মফমশিংদা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপদা হীদাক লাংথক হেন্না চঙলকপনা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা মতেং পাংবীরকউ হায়না সেন্টর ওফ মেদিকেল এন্দ সেলস রিপ্রজেন্টেটিব য়ুনিয়ন (সী আর য়ু) ইম্ফাল (এন ঈ আর)না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সী আর য়ু ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট নিংঙোম্বম দিলিপ কুমারনা হায়খি, ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লুরিবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা ফ্রী মেদিকেল পাঙথোকপদা হীদাক্কী অৱাৎপা মায়োক্নরক্লিবা অসিদা খরদা ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবা য়ুনিয়ন অসিদা য়াওদবা মেদিকেল রিপ্রজে-ন্টেটিবশিংসু হীদাক লাংথক মতেং পাংবীরকউ।

ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপীনবা এপ্লিকেসন য়াম্না পীরকপনা হীদাক্কী অৱাৎপা লৈরিবা অসিদা দোক্টরশিংদা হায়জরগা মতেং পাংবীরকখিবনি। দোক্টরশিংনসু লেম্না মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোকপীরিবনি। ঐখোয়না তৌজরিবা অসিদি হীদাক লাংথক্কী মতেং পাংবা খক্তনি। ফ্রী মেদিকেল কেম্প অসি হেন্না মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা হীদাক মতেং পাংবীয়ু।

ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংনসু মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা তৌদবা য়াদে হায়বা ৱাফম থন্বীগনু। ঙল্লিবমখৈ অনা-লায়েংবগী লম্‌দা মতেং পাংজগে। প্রেসর পীরকপনা মরম ওইদুনা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিবশিং মথং-মথং তোকখিবা তারবদি য়ুনিয়ন অসিনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরবা য়াই। য়ুনিয়ন অসিনা মীয়ামদগী করিগুম্বা কান্নবশিং লৌগে হায়দুনা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকপা নত্তে। মীয়ামগী মতেং পাংজগে হায়দুনা থোরকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ৱিমেন কম্মিসনগী টিমনা পুর্ণিমাসিগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপার্সন ডা. কে সোবিতানা লুচিংবা টিম অমনা রিমস হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা লায়েংদুনা লৈরিবী সেকমাইজিন ময়াই লৈকায়দগী অকোইজম নিংঙোল লোংজম ওংবী পুর্ণিমাসি, মপুরোইবা লোংজম ইবোমচাগী ফীভম ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।



য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপার্সনগা মেম্বর সোইবম নিলিমা, মেম্বর রঞ্জিতা গোলমৈ, মেম্বর ডা. ফরিদা শাহ অমসুং সপোর্টষ্টাফ এল সোমোলাগা লোয়নখি।

হোস্পিটাল অদুদা লাকখিবা টিম অদুগা রিমসকী দোক্টর অমসুং নর্সশিংগা অমদি পুর্ণিমাসিগী মপামগী মীওইশিংগা উনদুনা হৌজিক ওইরিবা অনাবা অসিগী ফীভমগী মতাংদা ৱারী শানখি। পুর্ণিমাসিবু লায়েংদুনা লৈরিবা দোক্টর অমনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক আই সী য়ুদা লায়েংলিবা পুর্ণিমাসি পেরালাইসিস তৌবগা লোয়নননা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি। মহাক মেকানিকেল ভেন্টিলেটর সপোর্ট তৌদুনা হৌজিক লায়কন্নরি।

থৌবাল ৱাংমা তাবদগী অকোইজম ওংবী ইবেতোন কৌবী পুর্ণিমাসিগী অপোকপী অসিনা ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনদা ৱাকৎলকপদগী য়েংশিনবা লাকখিবনি। মহাক্কী ৱাকৎতা পুর্ণিমাসিগী মপুরোইবা অমসুং মনেমপোক্না লায়েংবগী থৌদাং লৌবীদবদগী ৱাখল লায়না নারকপদগী হকচাংগী ফীভম শোকচিনখিবনি হায়না মরাল শীরি।

হোস্পিটাল অসিদা পুর্ণিমাসিগী মপুরোইবা অমসুং মনেমপোক লাক্তুনা হৌজিক লায়েংবদা শেলগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি মতেং পাংবীবা পাম্মী। হোস্পিটালগী ওঠোরিটিশিং, দোক্টরশিং, নর্সশিং অমদি অতোপ্পা পেসেন্ট পার্টিগী মীওইশিংনা মতেং পাংদুনা লায়েংলি। অদুমওইনমক অনাবগী ফীভম ফগৎলক্লে হায়রি।

কমপ্লেন্ট কেস অসিগা মরী লৈননা লোংজম ইবোমচাগী মথক্তা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট ইস্যু তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে। লোয়নননা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং রিমসকী দিরেক্টরগসু কম্মিসননা চেরোল অমা থাদুনা লায়েংলিবী নুপী অসি য়াম্না লায়রবা মীওই ওইবনা ফ্রীদা লায়েংবীনবা ৱাফম তকশিল্লগনি হায়রি।

## অমিক্কী স্কৃনিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
বেষ্ট ওফ অমিক ২০১৭গীদমক বিষ্ণুপুর সেন্টরগী ওইনা স্কৃনিং অমদি প্রিলিমিনরি রাউন্দ লাক্লিবা ওগষ্ট ৬ অমদি ওগষ্ট ২৮ দা সেন্টর অসিগী ওফিস অমদি ইবুধৌ য়াঙ্গৈই নিংথৌ কম্যুনিটি হোল, বিষ্ণুপুরদা পাঙথোক্লগনি হায়না অমিক বিষ্ণুপুর সেন্টরগী সেক্রেটরি টি ঐচ স্বরন কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। য়াওনিংবা শৈশকপা অমসুং শৈশকপীশিংনা থা অসিগী ১৯ দগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌবা অমদি পীশিনবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ফ্লদ রিলিফ কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন অমসুং ৱিমেন দিভলপ-মেন্ট এসোসিএসন শিংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যবতি লৈকায় অনীনা লৈকায়গী নহারোলশিংগা লোয়নননা থা অসিগী ৭ তগী হোংদোকখিবা ফ্লদ রিলিফ কেম্প হৌনবী মতুংইন্না ঙরাং নুমিদাং লোইশিনখ্রে হায়রি। কেম্প অসি য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, ৱার্দ নম্বর ১৮গী কোর্পোরেটর অমদি লোকেল দোনর-শিংগী মতেংগা লোয়নননা পাঙথোক-খিবনি। কেম্প অসিদা চান-থক্নবা, শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতেং পাংবীরকপা পুম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## কোলেজগী এগজামিনেসনদা পাক্তক্লনা অনফ্যের মিন্স শীজিন্নরকপবু দেসামনা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লৌবা বি এস সী, বি এ অমসুং বি কোমগী এগজাম পাঙথোক্লিবা কোলেজশিংদা পাক্তক্লনা অনফ্যের মিন্স শীজিন্নবগী শক্তম অমা ওইরক্লিবসি নুংনাংনিংঙাইনি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট'স এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)না ফোঙদোরক্লি।

দেসাম হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমিক এফ্যের্স পাইখোম্বা ৱাহেংবমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহী খরা অসিদা কোলেজ কাদবা, লাইরিক তমদবা মহৈরোয় কয়ানা রেঙ্ক হোল্ডর, গোল্ড মেদালিষ্ট, পোজিসন হোল্ডর ওইরকপগী শক্তম অমা লাকপা অসিদা য়াম্না কন্না নুংনাংবা অমদি অকিবা ফাওই। কোসেম অমদি বোসেমনা লৌবা এগজামিনেসনশিংদদি মহৈরোয় লূপশিং, মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পরম চুম্না ক্কালিটি লৈনা পাঙথোক্লবা থবক লৌখৎপদগী খরমখৈ ফরি। অদুবু কোলেজগী এদ্যুকেসন অসিদা হেক য়ৌখিবদগী মণিপুরগী কোলেজ অয়াম্বদা মহৈরোয়শিংনা কোলেজ কাদবা, ক্লাস য়াওদবা, এটেন্দেন্স অসি চহী চুপ্পা জিরোদা লৈ হায়বা য়াই। অদুগা এগজামিনেসনগী মতমদা কোলেজশিংদা মীওই চা/লিশিংদা এগজাম থাবগী শক্তম অমা উরক্লি। অসিগুম্বা শক্তম অসি ইম্ফাল মনুংগী নৎত্রগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্কার্টরগী কোলেজ খরখক নৎতনা কোলেজ অয়াম্বদা এগজামিনেসন পাঙথোক্লবা লৈবা কোলেজ ওইনা তৌই হায়না মরাল শীরক্লি।

প্রাইভেট অমসুং এইদেদ কোলেজশিংদনা খরা হেন্না মওং তাদবা শক্তমদা এগজামিনেসন পাঙথোকপগী শক্তম উরি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পাঙথোক্লিবা এগজামিনেসনশিং অসি এগজাম কন্দক্ট তৌরিবা এম য়ুনা ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইনা এগজাম পাঙথোকপা ঙমদ্রে, এগজামগী মথৌ তাবা থবক অমত্তসু লৌখৎত্রে, এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা মতিক চাবা ফ্লাইয়িং স্কোয়াদনচিংবা মতিক চানা থাদুনা য়েংশিনহন্দ্রে হায়না মরাল শীরক্লি।

য়ুনিভর্সিটিগী মরুওইবা ওঠোরিটিশিংনা মশাগী খুদোংচাবা ফংগদবা এপোইন্টমেন্টগী, কন্ট্রেক্টকী, সপ্লাইগী, প্রমোসনগী থবক্তা মায় ওনশিন্দুনা লৈরে হায়না মরাল শীরক্লি।

ফীভম অসিদা প্রাইভেট কোলেজশিং অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা কোলেজশিংদা মহৈরোয় কয়া মিং চনশিল্লগা ক্লাস তৌদ্রবসু টোপ্পর কয়া পুথোক্লবা অরানবা থৌওং কয়া চৎথরক্লি হায়রি। টোপ্পর কয়া পুথোক্লগা পাস পার্সেন্টেজগী অৱাংবা মশক অমা পুথোক্লগা য়ু জি সীগী এন এ সী এগ্রিগেটতা এ গ্রেদ, বি গ্রেদ ফংনবগী লমজেল তান্নরক্লি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি পায়খৎলগা অচৌবা ফন্দিং, প্রোজেক্ট লৌবদা লমজেল তান্নরক্লি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী লাইরিক লাইশু তম্বদা থৱায় য়াওজবা মহৈরোয় কয়াদি চৎথরক্লিবা থৌওং অসিনা য়াম্না নীংবা কায়হল্লে। মমা-মপা ওইবশিংনা নীংদোন পোম্নরে। লৈঙাক অসিনা গভর্ণমেন্টকী সার্ভিস চঙবদা, পোষ্ট কয়া লৌনবা থবক হাপ্পদা মার্ক বেসিসতা য়েংলগা থবক হাপ্পা, থবক লৌবগী চৎনবী লৈরি। অসিগুম্বা কোলেজশিং অসিদগী পুথোরক্লিবা মহৈরোয়শিং অসিনা থবক চঙবগী খুদোংচাবা অমদি মেরিট লিষ্টকী ওইরক্লি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট, আর এম এস এ অমসুং এস এস এগী ওজা লৌবদা অসিগুম্বা মেরিট টেষ্ট অসি হৌজিক-হৌজিক চৎনরে। অসিগুম্বা ওজাশিং অসিনা স্কুলশিংদা ওজা ওইরক্লবা মতমদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা য়াম্না শাথীবা শাফ্‌ অমা পীরক্লি। এদ্যুকেসনবু লৈখা তানবা মচাক অমা ওইহল্লক্লি হায়রি।

মণিপুরগী প্রাইভেট কোলেজ খরদদি মহৈরোয় মশা য়াওদনা কোলেজ ওঠোরিটিশিংনা সবজেক্টশিং অদুগী অন্সর পেপর পীদুনা এম য়ুদা থাগৎলক্লে হায়নরি। এগজামিনেসন পাস তৌনরি। এম য়ুনা লৌরক্লিবা এগজামিনেসনশিং অসি বিহার বোর্দকী ৱাথোক ওইখিবা টোপ্পর মেরিট লিষ্টকী স্কেন্দল অদুগা মান্নবা শক্তমনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরক্লি হায়না মরাল শীরি।

কুমজা ২০১৬ তা বিহার বোর্দনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্ব আর্টকী টোপ্পর ওইখিবা রুপা রাজ কৌবী মহৈরোয় অমদা টি ভি চেন্নেল অমনা ইন্টর্ভিয়ু লৌরুবদা পোলিটিকেল সাইন্স অসি করি সবজেক্টনো হায়না হংলুবদা পোলিটিকেল সাইন্স অসি চান-থক্নবা থোং-থাকপগী সবজেক্টনি হায়না খুন্নকখিবা লৈখ্রে। অদুগা কুমজা ২০১৭ দা বোর্দ অসিমক্না লৌবা ম্যুজিক্কী সবজেক্টতা টোপ্পর ওইখিবা মহৈরোয় নুপামচা অমদা রিটেষ্ট এগজামিনেসন তৌদুনা তল্লা য়ৈবা অমসুং ঈশৈ শকপগী মরমদা হংলুবদা করিমত্তা খঙলমখিদে। অসিগুম্বা এগজামিনেসনগী শক্তম মানবা মওং কয়া এম য়ু অসিমক্না মহৈরোয় কয়া গোল্ড মেদলিষ্ট, টোপ্পরনি হায়না পুথোরক্লি হায়রি।

হৌখিবা চহী কয়া অসি লাইরিক তম্বদা কোলেজ কয়ানা এগজামিনেসনদা পাস পার্সেন্টেজ য়াম্না ৱাংবা টোপ্পর কয়া পুথোকপগী লন্বীদা খোঙজেল য়াংনা চঙশিল্লক্লি। থৌওংশিং অসি তশেংনা অচুম্বা হায়না হংলক্লি। ক্কালিটি লৈবা এগজামদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লিব্রা হায়দুনা ঙসিগী মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা কুপ্পা নৈনফম থোক্লে হায়রি।

দেসামনা য়াম্না কন্না নুংনাংবা অমদি অকিবা ফাওরিবা অসি মণিপুরগী হায়র এদ্যুকেসনদা লৈখা তারকপা অমদি লোন্না থবক চৎথফম মফম অমা ওইরকপা অসিননি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## চীফ মিনিষ্টর'স রিলিফ ফন্দদা তেংবাংখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংগী তেংবাংগীদমক চীফ মিনিষ্টর'স রিলিফ ফন্দদা লেপ্তুনা মতেং পাংলক্লি।

লোকেল কেবল টেলিভিজন নেটৱার্ক (আই এস টি ভি)না লুপা লাখ ৩, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু)না লুপা লাখ ২ অমসুং এস কুল্লা ৱিমেন'স কোলেজনা লুপা ৫০,০০০ মতেং পাংখি। চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা তেংবাংগী শেনফমশিং অদু খূৎশিন্নখি।

ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবশিংগীদমক্তা মীনুংশি উৎপীদুনা মতেং পাংবীরকখিবশিংবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখি। ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়াম্বু খুন্দা-লৈতাহনবদা মতেং পাংনবা ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং মীয়াম্না হেন্না-হেন্না মতেং পাংলকখিগনি হায়বগী থাজবা মহাক্না ফোঙদোকখি।

## হিয়াংলম এ সীদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবসি মীৎয়েং চঙবীয়ু : কম্মিটি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফমশিংদা নোং খজিক্তং চুবদা তৎতনা ঈশিং ঈচাও থোকপনা ঙায়োক পুখ্রি, পাৎলৌগী মহৈ-মরোং তৎতনা মাঙহল্লিবশিংদগী কন্নবা এ সী অসিগী ওইবা অখন্নবা-অশানবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়না হিয়াংলম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা হিয়াংলম কেন্দ্র দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি কোন্থৌজম মনিহারনা হায়খি, এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা থোংয়াৎখোং, নাতেকখোং অমদি হৈবোংমখোঙ খোং হায়রিবা খোং অহুম অসি মণিপুরগী তুরেল অমগুম্না লৈবা খোংনি। হায়রিবা খোং অহুম অসিদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৮গী ঈশিং তুংফম ওইরিবনি। হিয়াংলম এ সী খক্তদা নৎতনা এ সী ৮গী ঈশিং তুংফম ওইদুনা কয়াম কুইনা মফম অসি শেমজিন-শাজিন্দনা থন্বীগদৌরিবনো। এ সী ৮ দগী চেন্থরকপা য়াল্লবা ঈশিং অসি হিয়াংলম এ সীগী মনুং চনবা খোংশিং অসিদা তুংশিন্দুনা লৈরিবা অসিদগী কন্নবা লোংটার্ম প্লান্ট অমা তৌহন্নীংই। খোং অহুম অসিদগী চেন্থরবা ঈশিং অদু পীকখ্রবা নোংয়াই খোং হায়রিবা কেনেল মচা অসিদা চেন্থোকহনখিবনা মরম ওইরদুনা হিয়াংলম এ সীদা ঈচাও থোক্লিবনি হায়রি।

অরোং নোংমাইখোং, তোকপশিং অমসুং শরিক কোঞ্জিলদা হৌজিক-হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরি। লৈঙাক্লা হৌজিক ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈফম লৈত্রিবা সেকমাইজিন, খোইদুম, কোমনাও অমদি লাঙ্গোইবুং হায়রিবা খুলশিং অসিগী অৱা-অনা তারবা মীওইশিং অসিবু তেংবাংবীয়ু। লন্বীগী নাক-য়েৎতা পাখন খন্দুনা ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মীওইশিং অসিগী টোইলেটকী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মরুওইনা থক্নবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে। মতম শাংনা ঈশিং থুমজিনবদগী পৎত-পুমথরকপনা মরম ওইদুনা লায়না-তিন্না কয়া শন্দোরক্তুনা অনা-অয়েক কয়া য়াওনরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা য়েংশিনবীদুনা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু।

এ সী অসিগী মনুংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা বেঙ্কশিংদগী লৌরুবা ক্রোপ লোন, কিষান ক্রেদিট কার্দ অমদি ফিশরি লোন শিংবা ঙমদবদগী মোর্টগেজ তৌরুবা লমশিং অদু ওক্সন লাউবগী ফীভমদা লাক্লে। অৱা-অনা তারবা লৌমীশিংগী অৱাবা অসি ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবীদুনা ঈচাওনা মাঙহনখ্রবা মহৈ-মরোং অমসুং ঙা ফার্মশিং অসিগী কম্পেন্সেসন মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা পীবীনবা হোৎনবীয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## স্বামি শিবানন্দগী ৫৪শুবা পুন্য টিথি আরাধনা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) : দিভাইন লাইফ সোসাইটি রিসিকেশ, উত্তরাখন্দগী মীৎয়েং মখাদা স্বামি শিবানন্দ ফাউন্দেসন সেন্টর ইম্ফালনা শীন্দুনা শ্রী স্বামি শিবানন্দ মহারাজগী ৫৪শুবা পুন্য টিথি আরাধনাগী থৌরম থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্স থাংমৈবন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা চীফ গেষ্ট, ডা. সিনাম রাজেন্দ্র পেট্রোন মেম্বর দি এল এস রিসিকেশনা প্রসিদেন্ট অমসুং রাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী ফাউন্দর তখেল্লম্বম ইরাবত অমদি দিভাইন লাইফ সোসাইটি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে রাধামোহোননা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, স্বামি অসি স্পিরিচ্যুএল লীদর অমনি। মালেমদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা লাইনিং লাইশোলশিংগী প্রোফেট অমদি রিলিজিয়স লীদরশিং অসিনা মাগী-মাগী লাইনিং লাইশোল অসিগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা থিজিল্লবা মতুংদা য়াম্না মরুওইবা মচঙ ওইবা পোৎলম কয়া ফংবা ঙমখি। য়ুনিভর্সেল ওইবা রিলিজন হায়বসিদি নুংশিবা, অচুম্বা চৎপা, অফবা থবক তৌবা, তাইবংপান অসিগী কান্ননবা খনবগী ৱাখল্লোন অদু লাইনিং অমগা-লাইনিং অমগা মালেম অসিদা লৈরিবা পুম্নমক লোইনা মান্নবনি। লাইনিং লাইশোল অমত্তনা মী হাৎলু, মীগী মাঙনবা অমসুং ফত্তনবা তৌ হায়বা অমত্তা লৈতে। অফবা থবক থৌরমশিং তৌগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অদু লোইনা মান্নে। মালেমগী ওইবা অফাওবা স্পিরিচ্যুএল লীদরশিং অসিগী মরক্তা স্বামি শিবানন্দসু য়াওনা মালেমদা লৈরিবশিং অসি লাইনিং লাইশোল তোঙাল্লবসু অমত্তনি।

লাইনিং-লাইশোল অমনা অমবু য়েৎনিংঙাই লৈতবা য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা লুচিংবশিংনি। মণিপুরদসু মসিগী ৱাখল্লোন অসি শন্দোক্তুনা নুংশিনদবা ময়াম লৈরিবা অসি লোইনা মাঙহনখ্রগা য়ুনিভর্সেল রিলিজন অমদা থাজবা থল্লগা ঐখোয়গী লৈবাক অসি ঈং-তপ্পা নুংঙাই-য়াইফনা পানবা ওইরসনু হায়খি।

ঐহাক্কী ইপা পোকপা ইপু মহারাজ বোধচন্দ্র অসি স্বামি শিবানন্দগী ফোলোৱর অমনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী ফোলোৱর ওইনা লৈরম্বগী ৱারী লৈ। ইপু অসিসু অফবা থবক তৌবা, মীনুংশি লৈবা, অচুম্বা চৎপা অমসুং লাই নিংবা নিংথৌ অমনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংনা অহুমশুবা মীয়ামগী নুমিৎ থা অসিগী ১৫ দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি। মণিপুর গভর্ণমেন্টগী পেন্সনর অমদি ফেমিলি পেন্সনর ৪৫,৫২৬ কী এপেক্স বোদি ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট পেন্সনর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ঐচ য়াইমনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা চীফ মিনিষ্টরদা চেরোল অমা পীশিন্দুনা ফিফথ মেদিকেল এল্লাৱেন্স লুপা ৩০০ পীরিবা অসিগী মথক্তা লুপা ২০০ অমগা থাগী ওইনা হেনগৎহন্নবা অমসুং ইন্দিয়াগী ষ্টেট ২২ দা চৎনবা হৌখ্রবা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী খুদোংচাবা অথুবা মতমদা পীথোক্লবা তকশিনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা য়ুনিয়নগী ৱাফমশিং পূক্লিং চঙনা তাখিবগা লোয়নননা অথুবা মতমদা খন্নগনি হায়না ফোঙদোরকপগীদমক য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## 'ককচীং খুনৌ পি ঐচ সীগী দোক্টর অমসুং ষ্টাফ ট্রান্সফর তৌগনু'

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : ককচীং খুনৌ পি ঐচ সী অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী ২৪x৭ ওইরগসু মতিক চাবা দোক্টর অমসুং ষ্টাফ মশীং শুদবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ অসিদা দোক্টর অমা অমসুং লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন অমা ট্রান্সফর তৌনবা ওর্দর থোক্লকপা অসি য়ানিংদে হায়না ককচীং খুনৌ ম্যুনিসি-পাল কাউন্সিল, সিনিয়র সিটিজন এসোসিএসন অমসুং দিভলপমেন্ট কম্মিটি ককচীং খুনৌনা ফোঙদোরক্লি।

ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, সিনিয়র সিটিজন এসোসিএসন অমসুং দিভলপমেন্ট কম্মিটি ককচীং খুনৌগী চেয়রপার্সন সেক্রেটরি অমদি প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১২ দা থোকপা লৈঙাক্কী ওর্দর অমনা হেল্‌ঠ সেন্টর অসিগী সিনিয়র এম ও ওইনা লৈরিবা ডা. ঈ ওকেন্দ্রজিৎপু জিরিবাম সী ঐচ সীদা অমদি লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন ওইনা লৈরিবা টি ঐচ সুরবালাবু হিয়াংলম পি ঐচ ঈদা ট্রান্সফর তৌখিবা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়ানিংদে। মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওঠোরিটিনা হায়রিবা ষ্টাফশিং অসি লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা হেল্‌ঠ সেন্টর অসিদা মশীং শুদনা য়াম্না ৱানা সার্ভিস তৌরিবা দোক্টর অমদি ষ্টাফ অসিগী মহুৎ হান্না শীন লাংলগা ট্রান্সফর তৌবা ওইরম্লবদি য়াম্না অপেনবা ফাওরমগদবনি। অদুবু ককচীং খুনৌ পি ঐচ ঈ দা অমখক্তং ওইনা লৈরিবা লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন অসিবু লৌথোকখিবা অমদি দোক্টর অসিবুসু ট্রান্সফর তৌথোকখিবা অসি য়ানিংদে।

মফম অসিদা ট্রান্সফর তৌরকপা থা অমা ফাওবা ফাদ্রিবা দোক্টর অসি অমুক সেন্টর অসিদগী অতোপ্পা মফমদা ট্রান্সফর তৌখিবা অসি য়ানিংদে। মরম অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ষ্টাফ অমসুং দোক্টর হেল্‌ঠ সেন্টর অসিদা থাবীরক্নবা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি।

## সনা কোনুংনা ঈরাৎ থৌনী পাংগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :
লৈবাক্কী ওইনা অৱা-অনা তারিঙৈ চৈরক অসিদা সুগনুদা লৈবা খানা চাওবা ৱাংব্রেনগী লাইবুংদা য়ুংবা অখন্নবা ফিরাল তৎতুনা তারকপগী লৈবাক্কী ওইনা ফত্তবা লাক্কদবা পুম্নমক ঙাকথোক-কন্থোক্লবগীদমক হয়েং অয়ুক সনা কোনুংনা ঈরাৎ থৌনী পাংগনি হায়না উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী চেরোল অমনা হায়রি।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী কষ্টমস সেক্রেটরি টি ঐচ ইবুংঙোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সুগনুদা লৈবা খানা চাওবা ৱাংব্রেনগী লাইবুংদা য়ুংবা অখন্নবা ফিরাল অসি সুগনু হঞ্জবা নৎতনা কনাগুম্বা অমত্তনা শোকপা-পনবা য়াদবা অমসুং থেংহৈদবা ফিরালবু হৌখিবা শগোলশেন অমসুং ইরাই নুমিৎকী মনুংদা খঙহৌদনা তৎতুনা লৈমায়দা তারক্লে হায়বা পাউ পীরকখি। মতুংদা সনা কোনুংগী অখঙ-অহৈশিংনা কুমদুনা য়েংলুবদা লৈবাক্কী অঙম-অথৌ, ফম্নাইবা, ফমদোংব-শিংগী মরী শোকপা, অশোক-অপন, অৱা-অনা থোক্কদবগী খুদম ওইবনা সনা কোনুংগী অঙোম নিংথৌ য়াওনা ঈরাৎ থৌনী পাংগদবনি হায়রি।